HUEIYEN LANPAO

# ‘মরম কয়ামরুম লৈবদগী হিমাচল প্রদেশকী মীখল হান্না পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপনি’



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার আচল কুমার জোতিনা হায়খ্রে মদুদি, নোংচিংগী ফীভম অমসুং তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈবনা হিমাচল প্রদেশকী মীখল হান্না পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপনি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা উন তারকপা য়াবগী ফীভম লৈবদগী হিমাচল প্রদেশকী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা নবেম্বরগী অহানবা শরুক্তা মীখল পাঙথোকপীনবা হায়জরকখি। মদুনা মরম ওইরগা গুজরাটতগী হিমাচল প্রদেশনা মীখল হান্না পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা এজেন্সীদা হায়খি, হিমাচল প্রদেশ অমদি গুজরাটকা থংননা লৈবা মরম্না ষ্টেট অমগী মীখলনা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা ঈথিল পীবা য়াই। মরম অদুনা হিমাচল প্রদেশকী মীখল ঙন্না পাঙথোকপা তারবসু মীখলগী ফলনা গুজরাটতা ঈথিল পীবা ঙমহন্দনবগীদমক্তা ভোট মশীং থিবগী থবক দিসেম্বর ১৮দগী হৌনবা থৌরাং তৌখিবনি।

হীরম অমত্তদা হিমাচল প্রদেশকী মীখলনা গুজরাটকী মীখলদা ঈথিল পীবা তৌহল্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসনা কুমজা ২০০১দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমা পল্লদুনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়খি, ষ্টেট অমগী মীখলগী ফলনা অতোপ্পা ষ্টেট অমগী মীখলদা ঈথিল পীবা তৌহল্লোই। য়ুম্লোন্ননা লৈরিবা হিমাচল প্রদেশ অমসুং গুজরাটকী মীখল তোঙান তোঙান্না পাঙথোকপা তারবসু ভোট মশীং থিবগী থবক তপথগনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতম লাউথোক্তবগী মরম করিগীনো হায়না জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)না মমাঙদা হংখ্রবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মীচং-মীখাই নাইবা থৌরাং লৌখৎপা চুমদে। হৌজিক ফাওবা কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোরক্ত্রিবা করিগীনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না জে দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা স্পোক্সপার্সন পৱন বর্মানা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনসু হিমাচল প্রদেশতা মীখলগী মতম লেপখ্রগা গুগরাটকী ওইনা হৌজিক ফাওবা ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোরক্তবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ষ্টেট অসিদা বি জে পিবু নমদুনা মায় পাকহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না হৌজিক ফাওবা মীখলগী মতম লাউথোক্তবনি হায়না ওপোজিসনগী লীদরশিংনা মরাল শীখি।

## কাশ্মীরগী ৰাথোক লোইশিনহন্নবা ৰারী শানবা হৌরগনি

# ইন্টেলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর ওইরম্বা দিনেশ্বরবু ইন্টরলোক্যুটর ওইনা হাপখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কাশ্মীরগী মতাংদা ৰারী শানদুনা লালহৌবগী ৰাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনরগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি)গী দিরেক্টর ওইরম্বা দিনেশ্বর শর্ম্মবু ইন্টরলোক্যুটর হাপ্পুনা লালহৌবগী চৈথেং ফংলবা ষ্টেট অসিদা ৰারী শানবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরগনি।





পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, আই বিগী দিরেক্টর দিনেশ্বর শর্ম্মনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা খঙদোক্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংগা ৰারী শানবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৰাফম নৌহৌননা নীংশিংলদুনা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, বি জে পিনা লূচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী অপাম্বা মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং নোংমৈগী মতেং য়াওদনা ঈং-তপ্পা মওংদা ৰারী শানরগা কাশ্মীরগী ৰাথোক লোইশিলহনগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মীহুৎনা অথুবা মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মীয়ামগা ৰারী শানবগী থৌরম পাঙথোকপা হোৎনরি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা মতম পুম্বগী ওইনা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী গভর্নর এন এন ভোরানা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনদুনা ঙমখৈদা পাকিস্টানি ফোর্সেসনা হঞ্জিন হঞ্জিন সিজ ফায়র থুগাইরকপগী মতাংদা ৰারী শানবা লৈখ্রবনি।

ঙমখৈ ৰাংমদগী টেররিষ্ট কয়া কাশ্মীর তম্পাক্তা লোন্না চঙলক্লগা মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ শাগৎপগী মতাংদসু লূচিংবা অনীনা কুপ্না খন্নখি হায়খিবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ১২দা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা মফম অমদা পাকিস্টানি আর্মিনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা চহী ৪০ রোম শুরবী নুপী অমা শিখি। ওগষ্ট ১৩দনা কৃষ্ণঘাতি, নাওসেরা অমসুং মনকোতা পাকিস্টাননা মরিরক হন্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা জৱান অহুম অশোক-অপন নংখিবনি।

হৌখিবা মে ১৭তা পাকিস্টান রেঞ্জর্সনা সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বলাকোট সেক্টর মনাক নক্লা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)না নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

# গুজরাটতা বি জে পিনা পতিদারশিংদা শেল পীজদুনা মীখলদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে : নিখিল





অহমেদবাদ, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

গুজরাটকী এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মথক্তা মরাল কয়া শীনরকখ্রে।

হার্দিক পতেলগা নক্লবা মীওই অমা ওইরম্বা নিখিল সৱানিনা হায়খি, পতিদার লূচিংবশিংবু শেল পীরগা বি জে পিদা নমদুনা চিংশিন্নবা হোৎনরে।

বি জে পিদা য়াওরুরগা তোক্লকপদা ঙাইরিবা মীওই অসিনা হায়খি, শোথহৌরবা মীওই কাঙলূপশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎকনি হায়না ৰাশকখ্রগা বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা পতিদার অমদি অতৈ শোথহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনদ্রে।

অমরোমদা, নরেন্দ্র পতেল কৌবা পতিদার লূচিংবা অমনসু বি জে পিনা কাঙলূপ অসিগী মীওই কয়া শেল পীজরগা বি জে পিদা য়াওহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরকখ্রে।

পতিদার অমানট অন্দোলন সমিটি (পি এ এ এস)গী লূচিংবা অসিনা হায়খি, লুপা ক্রোর ১ পীদুনা মহাকপু বি জে পিদা য়াওহনখিবনি। অকোনবদা শোথহৌরবা পতিদার ফুরুপকীদমক খল্লগা বি জে পিদগী খোঙ থাংদোরকখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা পতিদার কাঙলূপকী ঈহৌ লূচিংলিবা হার্দিক পতেল থাকুর ফুরুপকী লূচিংবা অলপেস থাকুর অমদি দলিত লূচিংবা জিগনেশ মেবানি খুৎশম্নরগা বি জে পি মায়থিবা পীনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা গুজরাটকী মীয়াম লৈবা ঙম্লোই : রাহুল

গান্ধীনগর, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী মীয়াম্বু শেল পীরগা লৈবা ঙমগদবা লৈতে।

গান্ধীনগরদা পাঙথোকখিবা নবসর্জন জনদেশ মহাসমেলনদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা শেল ফনা য়াম্না পুথোক্লবসু গুজরাটতা লৈরিবা মীয়ামগী মচিন মেনবা ঙম্লোই। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু শেল পীরগা লৈবসু ঙম্লোই।

নহারোলশিং মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্বা ফংদ্রি হায়না পল্লদুনা রাহুলনা হায়খি, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন হৈতবা মরম্না গুজরাটকী নহারোলশিংনা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়বা ঙমদ্রি। হৌখিবা চহী ২২ এদ্যুকেসন চাউখৎহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা য়ুনিভর্সিটিশিংবু লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওই খরগী মখুত্তা শিন্নখি। মদুনা মরম ওইরগা এদ্যুকেসনবু শেন্দাল লন্বী ওন্থোরকখি।



অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু মশাগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সী অমেথিদগী ইটলিদনা হেন্না পূক্নিং চঙলে হায়না মরাল শীখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, অমেথিদগী মায় পাক্তুনা লোক সভাগী মেম্বর ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা মশাগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা লাকপগী মহুত্তা য়াম্না তোয়না ইটলিদা চত্তুনা লৈরে।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী মফম খূদিংমক থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা রাহুল গান্ধীনা চহী ৩.৬ শুরবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা করি করম্বা থবক পায়খৎলবগে হায়না হংলক্লি বসি অঙকপা পোকই। থৌওং অসিদা রাহুলগী মরাল লৈতে। মহাক্না ইটলিগী অনোক উপ্লুবদগী লৈবাক অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং ময়েক শেংনা উবা ঙমদবননি।

রাহুলগী মচে লৌবা রোবর্ট ভদ্রানা লম লৌশিনখিবগী মতাংদা অদিত্যনাথনা হায়খি, মতম অমদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা গান্ধী ফেমিলিনা তৌনিংবদা তৌবা তারবসু হৌজিক্তি বি জে পিগী লৈঙাক লৈরবনিনা ইমুং অমখক্কী মীওইশিংনা অপান্বা থবক তৌবা য়াররোই। অমেথিগী লম পূম্নমক মফম অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগীনি হায়বা কোংগ্রেসনা ময়েক শেংনা খঙজিনগদবনি।

অমেথিগী মীয়াম্না মচেমকনি হায়না লৌরিবা স্মৃতি ইরানিনা হীরম খূদিংমক্তা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিবু চাউখৎনবা হোৎনদুনা লাকখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা সী বি আই মাঙ-তাকহন্নবা হোৎনরে : প্রশান্ত ভুষণ


ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

সিনিয়র এদভোকেট প্রশান্ত ভুষণনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা সেন্ট্রেল ব্যুরো এফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী ইন্তিগ্রিটি অমদি মনীং মখা তম্বা মাঙহন্নবা হোৎনরে।

রাকেশ অস্থনাবু সী বি আইগী স্পেসল দিরেক্টর হাপখিবগী মতাংদা ভুষণনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা স্পেসল দিরেক্টর খনখিবগী থৌওং অদু লৈবাক্কী লো শীংনবনি। মতম অমদা সী বি আইনা ৰাথোক অমদা চেন্নে হায়বগীদমক এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রবা মীওই অমা এজেন্সী অসিমক্কী স্পেসল দিরেক্টর ওইহনখিবা থৌওং অসি লোবু অতম্নমা শীংনবনি হায়না লৌফম থোকই।

নোংমাইজিং নুমিত্তা গুজরাট কাদরগী ইন্দিয়ন পুলিস সার্বিস (আই পি এস) ওফিসার রাকেশ অস্থনাবু সী বি আইগী স্পেসল দিরেক্টর ওইনা হাপখিবনি। মমাঙদা অস্থনানা সী বি আইগী এদিসনেল দিরেক্টর ওইদুনা অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দগী ৰাথোক অমদি





অতৈ মরুওইবা কেস কয়াগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা লাকখিবনি।

কুমজা ১৯৮৪ বেটচকী আই পি এস ওফিসার অসিনা লূচিংবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা কুমজা ২০০২গী ফেব্রুৱারীদা গোধ্রাদা সবরমতি এক্সপ্রেস মৈ চাকখিবগী মতাংদসু থিজিন্দুনা লাকখি।

অস্থনা নত্তবা অতোপ্পা আই পি এস ওফিসার তরেৎসু সেন্টরনা প্রমোসন পীখ্রবনি। আই পি এস ওফিসার দিপক কুমার মিস্রা অমদি সুদিপ লখতাকিয়াবু সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী স্পেসল দিরেক্টর জেনরেল ওইনা হাপখি। গুরবচন সিংহবুনা ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি)গী স্পেসল দিরেক্টর ওইহনখি। রাজেশ রঞ্জন অমদি এ পি মহেশ্বরীবুসু বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী স্পেসল দিরেক্টর জেনরেল ওইহনখি। উত্তর প্রদেশকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জবেদ অহমদপুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা স্পেসল দি জিগী রেঙ্কতা প্রমোসন পীখি। মিনিষ্ট্রি ওফ পার্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল এন্দ ট্রেনিংনা ওফিসারশিং প্রমোসন পীখিবগী থৌওং অদু প্রশান্ত ভুষণনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনরি : য়োগি

লখনৌ, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখ্রে।

চিত্রকুটতা লৈবা কমদগিরি টেম্পল ফাওবা কিলোমিটর ৫ খোঙনা চত্তুনা লাই খুরুম্লবা মতুংদা অদিত্যনাথনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা লাইশঙ অদুগী অকোয়বদা খোঙনা চত্তুনা লাই খুরুম্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা মীপুম খূদিংমক্না ঙক্লখি। মন্দাকিনি তুরেলগী তোর্ব্বানদা মহাক্না লাইনিংবশিংগা উনখিবা মতমদা মহাক্কীদমক অখন্ননা থাবা ফম্ফমদা ফমউ য়াখিদবগা লোয়ননা লৈমায়দা ওইনা ফমখি।



লৈবাক অসিদা ভী আই পিগী চৎনবী মুথৎনবা হোৎনরিবা মরম্না চীফ মিনিষ্টর অমা ওইবা তারবসু মহাকপু ভী আই পি ওইনা লৌরোইদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মধ্য প্রদেশ অমদি উত্তর প্রদেশকী লোন্নবা ঙমখৈবু ফ্রী জোন ওইনা লাউথোক্তুনা মীয়াম্বু অথিংবা লৈতনা চিত্রকুটতা চৎপা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

অমরোমদা, লাক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙম্লগনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পায়খৎলম্বা চাউখৎ থৌরাং পূম্নমক মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা মরম্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা অরাইবা মওংদা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

গুজরাটকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী ২০গী মনুংদা ষ্টেট অসিগী পর কেপিটা ইনকম শরুক ১০ হেনগৎলকপগা লোয়ননা লুপা ১৪,০০০ ওইরম্বদগী লুপা ১,৪১,০০০ য়ৌরকখি। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙনা চাউখৎ থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা মীওই কয়ামরুম থবক পীখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা গুজরাটনা মাঙজিন থারি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীং য়াম্না ফংবা ঙম্লগনি।

রাম টেম্পলগী ৱাফম অসি বি জে পিগী ওইনদি ইলেক্সনগী ইস্যু নত্তে। তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংনি হায়না লৌই। লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না রাম টেম্পল শাবা হায়বসি শোয়ফদ্রবা থৌদাং অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, য়োগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাগী সরয়ু তুরেল মনাক্তা রামগী অচৌবা মিতম অমা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ মনাক নক্লা শাগদৌরিবা রামগী মিতম মিটর ১০০ ৱাংগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা উত্তর প্রদেশতা রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা অযোধ্যাদা খিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্য দিষ্ট্রিক্টতা রামগী টেম্পল মনাক্তা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# রাজধানিগী টিকেট কনফর্ম তৌদ্রবদি এরোপ্লেন তোংনবগী খুদোংচাবা পীগনি : রেলৱে বোর্দ

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

রাজধানি এক্সপ্রেসকী ৱেটিং লিষ্টতা লৈবা পেসেঞ্জরশিং অহেনবা শেনফম খরা থিহল্লগা এয়র ইন্দিয়া তোংনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না ইন্দিয়ন রেলৱে বোর্দকী অনৌবা চ্যেরমেন অস্বানি লোহানিনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীদা এয়র ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়ন রেলৱে কেটরিং এন্দ টুরিজমনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অমা লৌবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোকখিদে।

অনৌবা রেলৱে চীফনা হায়খি মদুদি, রাজধানি ট্রেনশিংগী কনফর্ম তৌদ্রিবা টিকেট পায়বা পেসেঞ্জরশিংনা অহেনবা শেনফম খরা থীরগা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট তোংদুনা মশাগী পন্থুংফম য়ৌবা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

অমরোমদা, দিল্লি অমদি মুম্বাইগী মরক্তা চখোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা খুদোং চাহন্নবগীদমক রেলৱেজনা অনৌবা রাজধানি এক্সপ্রেস অমা লমথাখ্রবনি।

হৌজিক লৈরিবা মুম্বাই রাজধানিদগী অনৌবা ট্রেন অসিনা চাদা ১৯গী চাংদা টিকেটকী মমল হন্থরগনি। ইন্দিয়ন রেলৱেজনা হান্নদগী হৌনা সিটি অনীগী মরক্তা রাজধানি এক্সপ্রেস অনী অমসুং মেল/এক্সপ্রেস ট্রেন ৩০ হেন্না সার্বিস তৌদুনা লাকখিবনি হায়না রেলৱেজগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা রাজধানি এক্সপ্রেস অসিনা মরম ওইরগা সিটি অনীগী মরক্তা চখোক চৎশিন তৌবদা পুং ১৫.৫০ চঙলম্বদগী পুং ১৩.৫৫দা হন্থরগনি। অখন্নবা রাজধানি এক্সপ্রেস অসি চয়োল ১দা অহুম্লক চেনগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সিটি অমদগী অয়ুক ট্রেন তোংদুনা অতোপ্পা সিটি অমদা ওফিস কাবা নংহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা এক্সপ্রেস ট্রেন সার্বিস অসি লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি। ট্রেন অসিনা কোটা, বাদোদরা অমসুং সুরট ষ্টেসন নত্তনা অতৈ অতোপ্পা রেলৱেজ ষ্টেসন অমত্তদা খাল্লোই। ৱেষ্টর্ন রেলৱেজনা রাজধানি এক্সপ্রেসতা হুরান চিন্থিগী থৌদোক থোকহন্দনবগী পান্দমদা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকী পার্সনেল মতিক চানা শীজিন্নরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# হনিপ্রীট ইন্সান পঞ্চকুলাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পুথোরকখ্রে

পঞ্চকুলা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী):

দেরা সচা সৌদাগী লূচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহনা য়োকচবী হনিপ্রীট ইন্সানবু ঙসি পঞ্চকুলাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পুথোরকখ্রে।

ওক্টোবর ১৩দা কোর্ট অসিনা হনিপ্রীট অমদি মহাক্কা লোয়নবা সন্দিপ কোরবু ওক্টোবর ২৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা য়াথং পীখিবনি।

অশেংবা মমিং প্রিয়াঙ্কা তনেজা কৌবী হনিপ্রীটপু অম্বালা সেন্ট্রেল জেলদা থম্লকখি। মমাঙদা পুলিসনা হনিপ্রীটপু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি।

দেরাগী তুংইনবী অনী ফম্লানখিবগী মরালদা জেল চঙখ্রবা রাম রহিমগা খ্বাইদগী নক্লবা মীশক ওইরিবা মরম্না হনিপ্রীটতগী অকুপ্পা ৱারোল কয়ামরুম খঙবা ঙম্নবগীদমক মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীয়ু হায়না কোর্টতা হায়জখিবনি।

জেলদা লৈরিবা দেরা সচা সৌদাগী লূচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহগী য়োকচবী মচানুপী হনিপ্রীট ইন্সানবু হরিয়ানগী পঞ্চকুলাদা লৈবা



পুলিস ষ্টেসন অমদা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ ফাওবা ৱাহং-পাউহং চথখ্রবনি।

নুমিদাং থেংজিল্লক্লবা মতমদা থবাক নারে হায়না ৱাকৎলকপদগী হনিপ্রীটপু ঙাইহাক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংখি। অদুবু ডোক্টরশিংনা করিসু থোইদোকপা তৌদে হায়না থাদোরকখি।

হনিপ্রীটপু হরিয়ানা পুলিসনা থা ১ রোম হেন্না থিবা হুম্বগী থবক চথরবা মতুংদা ফাখিবনি। ওগষ্ট ২৫দা রাম রহিমবু নুপী তুংইনবী অনী ফম্লানখিবগী মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা থোকখিবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক্তা চেন্নে হায়বগীদমক হরিয়ানা পুলিসনা হনিপ্রীটপু মতম শাংনা ৱাহং-পাউহং চথখি হায়রি। পঞ্চকুলাদা থোকখিবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা হনিপ্রীটপু পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাকখি।

পঞ্জাবকী জিরাকপুর-পতিয়ালা রোদতগী ফাখিবা হনিপ্রীটপু কোর্টতা পুথোকখি। প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী রাম রহিমগা খ্বাইদগী নক্লবা মীশক ওইরিবী হনিপ্রীটপু পুলিস কষ্টদিদা থম্লগা ৱাহং-পাউহং চথবা মথৌ তাই হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ওগষ্ট ২৫দা দেরা সচা সৌদা শৌগৎপশিংনা পঞ্চকুলাদা হাৎনা শুনবগী থৌদোক থোকহনখিবদা মপুং ওইনা চেন্নে হায়বা মীওই ৪৩ পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, হনিপ্রীটনা মহাক্কী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল পূম্নমক য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।